# আই পি এল ওক্সনদা পৱন নেগিনা মমল খ্বাইদগী য়াম্বা প্লেয়র ওইরে





বেঙ্গলুর, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) ২০১৬ কী থাংজ নুমীৎতা বেঙ্গলুরদা পাঙথোকখিবা প্লেয়র ওক্সনদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শেন ৱাটশনবু রোয়ল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা লুপা ক্রোর ৯.৫ দা লৈদুনা ওক্সন অসিদা মমল খ্বাইদগী য়াম্বা শান্নরোয় ওইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর পৱন নেগিবু দেল্লি দেয়রদেভিলসনা লুপা ক্রোর ৮.৫ দা লৈদুনা মমল য়াম্বা শান্নরোয় ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা পৱন নেগিগী হেক মথংদা যুভরাজ সিংহ অমদি মোহিৎ শর্ম্মানা মথংশিৎনা লুপা ক্রোর ৭ অমদি লুপা ক্রোর ৬.৫ দা লৈখি। পৱন নেগি হৌজিক ফাওবা ইন্টর্নেসনল মেচ অমত্তা শান্নদ্রবসু হন্দক চহীদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী ইন্দিয়ন টিমদা খনগৎখ্রবনি। মফম মতম অমা হেক্তদা ৱিকেট লৌবা ঙম্বদা নত্তনা বেট্টিংদসু হৈথোই শিংথোইরবা নেগি দোমেষ্টিক ক্রিকেটতা খ্বাইদগী মমিং লৈবা প্লেয়র ওইরিবনি।

মমাঙ সিজনগী আই পি এলদা সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিঙৈ চেন্নাই সুপর কিংশ অদুগা দোমেষ্টিক্তনা দেল্লিগীদমক শান্নখিবা পৱন নেগিনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা সৈখ মুসটখ আলি ট্রোফিদা ৱিকেট ৬ লৌখিবগা লোয়ননা রন ১৭৩ সু লৌখিবনি।

আই পি এল হেক হৌরকখিবা কুমজা ২০০৮ দগী রাজস্থান রোয়েলসতা শান্নদুনা লাকখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শেন ৱাটশননা আই পি এলগী পুৱারীদা প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টগী এৱার্দ অহুমলক ফংবা ঙম্বা অমত্তা ঙাইরবা প্লেয়র ওইরি। মমাঙগী আই পি এল সিজনদা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক্তনা চেন্নখিবদগী চহী অনীগী অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা রোয়লস রাজস্থানদগী থোক্লগা রোয়লস চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরদা লুপা ক্রোর ৯.৫ ফংদুনা য়াওখি। ৱাটশনবু পুনে, বেঙ্গলোর অমদি মুম্বাইনা মখোয়গী টিমদা শান্নহন্নবগীদমক লৈনবা অকনবা মওংদা হোৎনখ্রবসু অরোইবদা বেঙ্গলোরনা ঙমদুনা মখোয়গী টিমদা য়াওখি।

রোয়লস চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরদা মমিং লৈরবা ক্রিকেটরশিং খৃষ্ট গেয়রল এ বি দে ভিল্লরস, ভিরাট কোহলি অমদি মিটচেল ষ্টার্কনচিংবা প্লেয়রশিং য়াওরিবনি। মমাঙ চহীদা দেল্লি দেয়রদেভিলসনা লুপা ক্রোর ৬ তা লৈখিবা যুভরাজ সিংহবু হায়দ্রবাদনা লুপা ক্রোর ৭ তা লৈখি। দেল্লিনা যুভরাজদা পীবা মমল অদুনা মহাক্কী মহুত্তা সাউথ অফ্রিকাগী খৃষ্টোফর মোরিসসু লৈখি।

আই পি এলগী চৎনবী নিয়মগী মতুংইন্না লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিম ৮ না য়ামদ্রবদা প্লেয়র ১৬ অদুগা য়াল্লবদা প্লেয়র ২৭ ফাওবা লৌবগী অয়াবা পীবদা নত্তনা টিম অমনা মপানগী প্লেয়র ৯ ফাওবা লৌবা য়াবগী অয়াবা পীরি। অপূনবা প্লেয়র ৩৫১ গী মনুংদা ইন্দিয়া মচা ২৩০ য়াওবা ওক্সন অদুদা অখন্নবা প্লেয়র ওইরিবা যুভরাজ সিংহ, কেভিন পিটরসন (ক্রোর ৩.৫), ইশান্ট শর্ম্মা, অশিস নেহরা (ক্রোর ৫.৫) অমদি শেন ৱাটশননা ওক্সনদা মমল য়াম্বা ক্রিকেটর ওইখ্রবসু মখোয়দা পীরিবা শেনফমগা ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবগা য়েংনরুবদা চপ চানা মথৌ পাঙথোক্কদ্রা হায়বদু য়েংবা তারি।

# কলিঙ্গা লেন্সরসনা দেল্লি ৱেভরাইদরসপু মায়থিবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

কোইল ইন্দিয়াগী মরিশুবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী ইরাই নুমীৎতা মফম অসিগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা য়ুম্বু কলিঙ্গা লেন্সরসনা দেল্লি ৱেভরাইদরসপু ৪-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২২ ফংখিদুনা টেবলগী মকোক্তা লেংদনা লৈখ্রে।

মেচ অদুদা কলিঙ্গা লেন্সরসকী ওষ্ট্রেলিয়ন ষ্ট্রাইকর গ্লেন টর্নরনা মেচকী মিনিট ৬ অমদি মিনিট ৫৬ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অনী চন্দুনা কলিঙ্গাবু মায় পাকহনখি। কলিঙ্গানা লীগ অসিদা ফংখিবা অপূনবা মেচ তরুক শান্নখিবদা মেচ মরি মায় পাক্তুনা পোইন্ট ২২ ফলগা টেবলগী মকোক্তা লৈখি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজনা পোইন্ট ২২ ফংলবসু গোল দিফরেন্সতা অনীশুবা মফমদা লৈখি। দেল্লিনা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে।

কলিঙ্গা লেন্সরসনা জন্যুৱারি ৩১ দা শান্নখিবা মেচতা দাবং মুম্বাইবু মায়থিবা পীখি। দেল্লিনা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনীদা উত্তর প্রদেশ ৱিজাদর্স অমদি পঞ্জাব ৱারিয়সকী মখুৎতা মায়থিখি।

কলিঙ্গা অমদি দেল্লি অনীগী মেচ অদুদা কলিঙ্গানা মশক থোক্না শান্নদুনা দেল্লিবু অকনবা চেলেঞ্জ তৌখি। কলিঙ্গানা অতৎ অখম লৈতনা চঙশিনখিবা এটেক্তা লীগ অসিগী ওইনা গোল মশিং য়াম্না চনবা শান্নরোয় ওইরিবা গ্লেন টর্নরনা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা কলিঙ্গাগী পেনাল্টি কোর্নর অমসু ফংখি অদুবু দেল্লিগী গোল কিপর দেভন মানচেষ্টরনা থিংদুনা গোল চলহনখিদে।

মেচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লবা সাইদশিংদা অকনবা শাফুশিং পীদুনা শান্নখ্রবসু গোল চন্নবদি ঙমখিদে। অহুমশুবা ক্বার্টরদা দেল্লিনা গোল চন্দবা য়াদে হায়দুনা মায়োক্লখিবা সাইদতা চঙশিনখিবদা হৈশিংবা হেল্লবা কলিঙ্গাগী প্লেয়রশিংনা য়াম্না লায়না মখোয়গী এটেক অদু থিংখি। কলিঙ্গাসু দেল্লিগী মায়কৈদা চঙশিনবদা গোল চনবা ঙমখিদে। মরিশুবা ক্বার্টরদা কলিঙ্গানা দেল্লি ৱেভরাইদরসকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা অকনবা প্রেসরগী এটেক্তা গ্লেন টর্নরনা মেচকী মিনিট ৫৬ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা দেল্লিবু ৪-০ দা মায়থিবা পীখি। দেল্লিসু মেচ লোইরমদাই পুংজাদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল চনবদি ঙমখিদে।

# ইন্দিয়ানা নামিবিয়াবু মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ধকা, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চথুরিবা আই সি সি অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপকী থাংজ নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়ানা নামিবিরাবু রন ১৯৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়া অন্দর-১৯ টিমনা মেচ অদুদা লেফ্ট হেন্দর রিসাভপন্টনা বোল ৯৬ তা রন ১১১ লৌদুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবদা চাউনা মতেং পাংখি। পনবা য়াই, রিসাভপন্টপু ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) ২০১৬ কী প্লেয়র ওক্সনদা য়াওদুনা দেল্লি দেয়রদেভিলসনা লুপা ক্রোর ১.৯ দা লৈখ্রবনি। অনমোলপ্রিট সিংহনা রন ৪১, সরফরাজ খাননা রন ৭৬ অমদি অর্মন জাফরনা রন ৬৪ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইহল্লগা অপূনবা রন ১৪৯ খক্তমক লৌহনদুনা রন ১৯৭ তা মায়থিবা পীখি।



অদুদা ৱিকেট অহুম তুরগা অপূনবা রন ৩৪৯ লৌখিবনি।

অনমোল প্রিট সিংহনা ৱিকেট অহুম সুন্দরনা রন ২৭ পীথোক্লগা ৱিকেট অনী লৌখি। ইন্দিয়াগী মশক থোক্লবা বেট্টিং অমদি বোলিংনা নামিবিরবু ওভর ৩৯

নামিবিরাগী ওপনর এস কে দেভিননা হাফ সেঞ্চুরি কন্দুনা মখোয়গী টিমগী মশক থোকপা বেটসমেন ওইখি। নামিবিরানা রন ৫৯ লৌবা মতম ফাওবদা ৱিকেট অমত্তা তুদনা লৈখ্রবসু রন ৯৬ লৌবা মতমদা ৱিকেট ৫ তুদুনা খোঙফম ফত্তনা লৈবা হৌখি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সাউথ অফ্রিকাবু গ্রুপ ষ্টেজদা মায়থিবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবা নামিবিরানা ইন্দিয়াগা মায়োক্লবা মেচ অদুদা অকনবা লম্বা তৌরক্কনি হায়না লৈনখ্রবসু ইন্দিয়া টিমগী মমাঙদা করিগুম্বা মশক থোকপা অমত্তা উৎপা ঙমদনা মায়থিখি।

# ইন্দিয়ানা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ গী চেম্পিয়ন ওইগনি ঃ লারা



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী টাইটল ইন্দিয়ানা লৌগনি হায়না ৱেষ্ট ইন্দিজগী শক্লাইরবা ক্রিকেটর ব্রাইয়ন লরানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেট্টিং লেজেন্দ ব্রাইয়ন লরানা হায়খি, কপ অসি ইন্দিয়ানা শোয়দনা লৌগনি হায়বসি ঐগী থাজবনি। অদুবু করিগুম্বা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী মহৌশাগী লৈজবা অরেপ্পা লৈতবা খুৎশান্না অদু থাদোকপা ঙম্লবদি কপ অসিদা ইন্দিয়ানা চেকশিনগদবসি ৱেষ্ট ইন্দিজনা ওইগনি হায়খি।

মমাঙ চয়োলদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মতিং লৈরবা টিম অমা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গীদমক খনগৎতুনা শেম শাবগী থবক চঙশিনখ্রবনি।

লাক্লিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ অসি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবনা মসিগী খুদোংচাবা শোয়দনা লৌনবা হোৎনরক্কনি হায়না মীয়াম্না লৌনরিবনি। লোয়ননা হন্দক্তা নৌনা থোকখিবা আই সি সি টি ২০ গী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা মকোক্তা লৈখি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়ানা টেষ্ট রেঙ্কিংদা মকোক থংবদা লৈবগা লোয়ননা ৱান দে ইন্টর্নেসনেলদসু ৱর্ল্ডগী অনীশুবা মফমদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংনা মখোয়গী হোম পিচ মশক মুন্না খঙবগী মথক্তা হৌজিক মশান্না অসিদা মতিং থোক্লা শান্নবা ঙল্লি। কপ অসি মখোয়না শুংশোয় শোয়দনা লৌগনি হায়বসি ঐখোয়গী থাজবনি। অদুবু ৱেষ্ট ইন্দিজগী লৈরিবা মশক থোক্লবা টিমনা মখোয়গী লৈজবী হৈ-শিংবদু উৎথোক্তুনা শান্নরক্লবদি লৈবাক খুদিংগী মীৎয়েং থম্নফম ওইরক্কনি হায়না লরানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা আই সি সি টি ২০ ৱর্ল্ড কপতা ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু টিমবু য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি। হন্দক্কী কপ অসিদা মখোয়গী মমিং লৈরবা প্লেয়রশিং খৃষ্ট গয়েল, দরেন ব্রেবো, সুনিল নরেইন, করোন পোল্লার্দ অমদি এন্দ্রে রুসেলনচিংবা য়াওরিবনা কিনিংঙাই ওইদ্রি। টিম অসিবু ওল রাউন্দর দরেন স্বামিনা লুচিংগনি।

# সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌ অমসুং এন এফ এ নোংগ্রেন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শিন্দুনা চথুরিবা ৬ শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ অশম্বীদা চালৌ কপ হায়রগা খঙনবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌ অমসুং এন এফ এ নোংগ্রেন মায় পাকখ্রে।

টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ১ দগী চথুরল্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌনা কে কে ৱাই দল্লিয়ু সি কাঙু চীংজিন গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌগী অহানবা গোল এস শান্তনা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এ মাইঙৌনা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা চনখি। এম মনিস্নানা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী মরিশুবা গোল এস সঞ্জিৎনা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা অদুগা এম মনিস্নানা টিমদুগী ৫ শুবা গোল মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এন এফ এ নোংগ্রেন্না ৱাই পি এস লমলাই গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। চাউনা মায় পাল্লবা এন এফ এ নোংগ্রেনগী কৃষ্ণকান্তনা গোলা অনী, নাওচা, লিবন্তা অমসুং অমোচানা গোল অমমম চনখি।

# ভেনস ৱিল্লিয়মস, স্লোনে ষ্টেফন্সনা য়ু এসবু ২-০ দা ফেদ কপ্তা মাঙজিল থাহনখ্রে

কাইলুআ-কোনা, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

ভেনস ৱিল্লিয়মস অমসুং স্লোনে ষ্টেফন্সনা মখোয়গী ফেদ কপকী হৌদোকপা নুমিৎকী শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা পোলেন্দবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ফেদ কপকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচ অদুদা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা পাউলা কানিয়াবু ৭-৫, ৬-২ অমসুং স্লোনে ষ্টেফন্সনা মাগদা লিনেট্টেবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

অমেরিকানশিংনা ৱর্ল্ড গ্রুপ টু সেমী ফাইনেলগী খুমাঙ চাউশিন্নবগীদমক মেচ অমা শান্নগদবা ৱাৎলি। মেচ অদু লাক্লিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কনি।

ৱিল্লিয়মসনা কানিয়াবু মায়থীবা পীখিবদা প্রেসর খরা মায়োক্লখি। অদুবু মহাক্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্টগী প্রেসর অদুবু নমহৎতুনা মায় পাকখি।

ষ্টেফন্সনা মহাক্কী মেচকী অনীশুবা সেটতা পোলেন্দগী নম্বর ৱান প্লেয়রবু নমহৎলগা ৪-০ দা লৈখি। ষ্টেফন্সনা ষ্ট্রেটতা গেম মঙা লৌবা ঙমদুনা মেচ অদুবু মায় পাকখি।

হৱাইদা মখা তানা রিভর্স সিঙ্গলস মেচ অমসুং দবলস মেচশিং শান্নগনি। বেথানি মাট্টেক-সেন্দস অমদি কোকো-ভান্দেৱেঘনা অলজিকজা রোসোলস্কা অমদি ক্লাউদিয়া জান্স-ইজানাসিক্কা শান্নগনি।

# নুপী হোকিদা ইন্দিয়ানা নেপালবু ২৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম্না মখোয়গী ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী কেম্পেনগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নেপালবু ২৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

রাউন্দ রোবিন লীগ মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা প্রেক্টিস মেচ ওইনা শান্নবগুম য়াল্লবা গোলশিং নেপালগী মায়কৈদা চনশিন্দুনা স্কোর বোর্দ অদু ইন্দিয়াগী হোকি প্লেয়রশিংগী মমিংনা পীক থনখি।

মফম অসিগী মৌল্লানা টয়াবুল্লাহ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর সৌন্দরায়া য়েন্দালানা মেচকী মিনিট ১৫, ৫২, ৬২ অমদি ৬৪ চৎপা মতমদা গোল মরি, পুনম বারলানা মেচকী মিনিট ৭, ৪২, ৪৩ অমদি ৫১ চৎপা মতমদা গোল মরি চনখি।

ইন্দিয়াগী প্লেয়র মরি - রানিনা মেচকী মিনিট ২, ৪৬ অমদি ৪৮ দা গোল অহুম, জাস্প্রীট কৌরনা মেচকী মিনিট ৪, ৩৫ অমদি ৫৬ তা গোল অহুম, নেহা গোয়ালনা মিনিট ১৪, ২২ অমদি ৭০ চৎপা মতমদা গোল অহুম অমদি দীপিকানা মিনিট ৫৩, ৬২ অমদি ৬৭ চৎপা মতমদা গোল অহুম চনখি। অদুগা গুরজিৎ কৌরনা মিনিট ২১ অমদি ৪১ চৎপা মতমদা



গোল অনী অমসুং প্রীতি দুবেনা মিনিট ২৩ অমদি ২৯ দা গোল অনী চনখি।

ইন্দিয়ানা চহী ৩৬ কী মতুংদা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদ ওইখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ১৩ শুবা মফমদা লৈরি অদুগা নেপালনা মশান্না অসিগী মালেমগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা এফ আই ঐচকী রেঙ্কিংদা চনবা ফাওবা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়ানা মথংগী লীগ মেচতা শ্রীলঙ্কাগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। গেমস অসিদা টিম অহুম্না শরুক য়ারিবা অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়না থাজবা লৈরি।

# সাউথ এসিয়ন ষ্টুদেন্টস গেমসকী টেবল টেনিসতা মেদল লৌরকখ্রবা বিপিন ওকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

হৌখিবা জানুৱারি ২৭ তগী ৩১ ফাওবা শ্রী লঙ্কাগী কোনুং কলম্বোদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সাউথ এসিয়া ষ্টুদেন্ট গেমস ২০১৬ কী টেবল টেনিস মশান্নগী ওইনা অন্দর-২৫ কী দবলস অমসুং সিঙ্গলসতা মেদল লৌরকখ্রবা নাওরেম বিপিন ওকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

টেবল টেনিস এসোসিএশন ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মেদলিষ্ট নাওরেম বিপিন ওকপগী থৌরম অদুদা এসোসিএশনগী মায়কৈদগী বিপিন্দা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সাউথ এসিয়ন ষ্টুদেন্ট গেমস অদুদা নাওরেম বিপিন্না চহী ২৫ মখাগী দবলসতা গোল্ড মেদল লৌখি। চহী ২৫ মখা অমসুং চহী ২৮ মখাগী কাঙলুপকী সিঙ্গলস ইভেন্টতসু নাওরেম বিপিন্না শিলভর মেদল অমমম লৌরকখি।

সাউথ এসিয়ন ষ্টুদেন্ট গেমস অসিদা নাওরেম বিপিন্না গোল্ড মেদল ১, শিলভর মেদল ২ পূন্না মেদল ৩ লৌরক্তুনা মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখি। নাওরেম বিপিন ককচিং মখা লৈকায়দগী নাওরেম ইবোমচাগী মচানুপানি।

নীংশিংবা য়াই, নাওরেম বিপিন মমাং চহীগী ওক্তোবর ১৪ দগী ১৬ ফাওবা আগ্রাদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ষ্টুদেন্ট নেসনেল ওলেম্পিক গেমসকী চহী ২৫ অমসুং চহী ২৮ মখাগী কাঙলুপতসু গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়নি। লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা অহানবা রেঙ্কতা লৈরিবা ফৌসুপাৎ লৈকায়দগী এল বিক্রম অমদি মরিশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কে ঐচ উষাকিরনবুসু এসোসিএশন্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ

নোংমাইকোন প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব চানানা শিন্দুনা জানুৱারি ১৭ তগী চথুরকখিবা অনীশুবা তেলৌ-চানা-সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়েট সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবা নুমিৎতা এফ সি তেলৌ এ অমদি এস পি ৱাই সি সৈজাং সি অনীনা ফাইনেল শান্নখি। মেচ অদুদা এস পি ৱাই সি সৈজাং সিনা এফ সি তেলৌবু টাই ব্রেক্তা ৫-৪ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

# জোন টেরি চেলসি ক্লবতগী পোথারগনি

লন্দন, ফেব্রুৱারি ৭ ঃ


ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা শান্নরিবা চেলসি ক্লবকী কেপ্টেন জোন টেরিনা সিজন অসি লোইবগা ক্লব অসি থাদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চেলসি ক্লবকী খোঙচৎতা খ্বাইদগী মায় পাকপা কেপ্টেন অমা ওইরিবা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা জোন টেরিবু ক্লব অসিনা মখা তানা শান্ননবা অনৌবা কন্টেক্ট পীদবদগী ক্লব অসিদগী থাদোক্কবা লৌরকপনি হায়না এজেন্সীনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

মমাঙ চয়োলদা অর্সনেলবু ১-০ দা মায়থিবা পীখিবা মেচ অদু শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা মঙোন্দা ক্লব অসিদা নৌনা শান্ননবগী কন্ট্রেক্ট পীররোই হায়না খঙহল্লকখি হায়বা ৱাফম জোন টেরিনা থম্লদুনা মসি ঐগী কেরিয়রগী অরোইবা নত্তে। লোয়ননা চেলসিনা ঐগী অরোইবা ক্লবসু ওইহন্নিংদে হায়খি।

সেন্ট্রেল দিফেন্দরগী থৌদাং লৌদুনা শান্নরিবা টেরিনা হায়খি, ঐহাক ক্লব অসিদা মখা তানা শান্ননিংই। অদুবু ক্লব অসিগী অপাম্বদু মাঙজৌননা ঐঙোন্দা খঙহল্লবনা মখা তানা হংলুবা অমদি হায়রুবা তৌররোই। চেলসিদা ঐগী মতম অসি সিজন অসিনা লোইরে। মসিদা ঐনা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, চেলসিনা প্রেমিয়র লীগকী টাইটল মরিরক, এফ এ কপ মঙারক, লীগ কপ অহুম্লক, কুমজা ২০১২ গী চেম্পিয়ন্স লীগ অমদি কুমজা ২০১৩ গী য়ুরোপা লীগকী টাইটলশিং লৌখিবদা জোন টেরিনা চাউরবা থৌদাং লৌখি। টেরিনা ইংলেন্দগীদমক মেচ ৭৮ শান্নদুনা টিমগী কেপ্টেনসু ওইখিবনি।



HL-B/2890/9/1-9/2